**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 23-05-2024)**
**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ২৩-০৫-২০২৪, শগোলশেন)**

--**সিগনেচর ট্যুন**--

**---অকাশবানি ইম্ফাল নোলিনি দেবীনা পাউ পাজরি---**

--**অহানবদা মরুওইবা পাউ**--

১) রাজ্য অসিদা শাবগী চাং নোংমা নোংমগী হেনগৎলক্লি। ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং ককচিং জিলাশিংদা শাবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রি ৩৫ য়ৌখি।

২) লোকস সভা মীখলগী অরোইবা তাঙ্কক নকশিল্লকপগা লোয়ননা রাজনিতি দলগী লুচিংবশিংনা ভোট খোম্বগী থবক হেননা খনখৎলক্লি।

**অমসুং**

৩) গৌতম বুধাগী মপোক নুমিৎ ঙসি লৈবাক অসিগী মফম অয়াম্বদা চাউনা পাঙথোকরি।

--**ট্যুন**--

**মেট(এল)ঃ** রাজ্য অসিদা শাবগী চাং নোংমা নোংমগী হেনগৎলক্লি। **ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট** অমসুং ককচিং জিলাশিংদা **শাবগী** চাং সেলসিয়স দিগ্রি ৩৫ য়ৌখি। চুরাচান্দপুর, বিষ্ণুপুর অমসুং তমেংলোংদা **শাবগী** চাং সেলসিয়স দিগ্রি ৩০ হেনখি। নোনে জিলাদা ঙরাং **শাবগী** চাং সেলসিয়স দিগ্রি ৪০ য়ৌখি। **হন্দক** থোক্লিবা হিট ৱেব অসিগা মরী লৈননা নেসনেল প্রোগ্রাম ওন ক্লাইমেট চেঞ্জ এন্দ হ্যুমেন হেলথ (এন.পি.সি.সি.ঐচ ,ঐচ)না মীয়ামদা হিট ৱেব অসিদগী থোক্লবা য়াবা লায়নাশিংদগী ঙাকথোকবা চেকশিন ৱা থল্লক্লি। মীয়ামা ঈশিং তোইনা থকপা, মতম মতমগী হৈরা চাবা,নুংশাদা থোকপা মতমদা ছাতিন তুপ্পা অমসুং লংজমগী ফীরোল শিজিন্নবিনবা আপিল তৌরক্লি।

অমরোমদা, হিট ৱেব অসিনা থোক্লবা য়াবা লায়নশিং হিট রেস, খোংখুৎ পোমখৎপা , হকচাং থীন্দোকপা, ৱান্থবা অমসুং হিট স্ত্রোকনচিংবা থোক্লকবা য়াই হায়না এন.পি.সি.সি.ঐচ.ঐচকী চেরোল অসিনা মখা তারি।

**ইলেক্সনঃ** লোকস সভা মীখলগী অরোইবা তাঙ্কক নকশিল্লকপগা লোয়ননা রাজনিতি দলগী লুচিংবশিংনা ভোট খোম্বগী থবক হেননা খনখৎলক্লি। দিল্লিগী ওইনা লাক্লিবা থাংজা নুমিৎতা মীয়ামা ভোট থাদনরগনি। কেন্দ্রিদেদশিংনা অপুনবা সিট ৭ তা লম্বা থেংনরগনি। ঙরাং দুৰাৰ্কাদা বি.জে.পিগী লুচিংবা অমসুং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা রেল্লি অমদা ৱা ঙাংখি। শ্রী মোদিনা হায়- ভারতকী চাউখৎ থৌরাংগীদমক বি.জে.পি সরকার খোংফম চেৎনা লেপ্লি। শ্রী মোদিনা উত্তর প্রদেশকী বস্তি অমসুং স্রবস্তি জিলাশিংদা পাঙথোক্পা রেল্লিশিংদা ৱা ঙাংখি।

উত্তর প্রদেশকী অপুনবা সিট ১৩ দা কেন্দ্রিদেদশিংনা লম্বা থেংনরগনি। হায়রিয়ানাদসু মীখলগা মরী লৈননা ভোট খোম্বগী থবক হেননা কনখৎনরক্লি। কংগ্রেস অমসুং বি.জে.পিগী লুচিংবশিং মীয়ামগী ভোট ফংন্নবা মাগী মাগী ঙমজবি থাক্তা হোৎনরি। কংগ্রেসকী লুচিংবা রাহুল গান্ধিনা ঙরাং মহেন্দ্রগর ভিৱানি কেন্দ্রগী মনুং চন্না লৈবা চরখি-দদ্রিদা পাঙথোকখিবা মীখলগী রেল্লি অমদা ৱা ঙাংখি। মহাকা অগাভির স্কিমগী মতাংদা য়ানিংদবা কয়া ফোংদোকখি। মসিদা নত্তনা লৈবাক অসি অতৈ রাজ্যশিংদসু ভোট থাদবা নুমিৎ নকশিল্লকপগা ইরোইননা ভোট খোম্বগী চাং ৱাংখৎলক্লি।

**---তাবীরিবা পাউ অসি অকাশবানি ইম্ফালদগীনি---**

**বুধাপর্ণিমাঃ** গৌতম বুধাগী মপোক নুমিৎ ঙসি লৈবাক অসিগী মফম অয়াম্বদা চাউনা পাঙথোকরি। নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমু অমসুং উপ রাষ্ট্রপতি জগদিপ ধনকরনা ঙসি বুধা পুর্ণিমাগা মরী লৈননা লৈবাক অসিগী মীয়ামদা য়াইফা পাউজেল পীরক্লি। রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা হায়- গৌতম বুধানা ঐখোয় মশেল অমসুং অতৈ জিব পানবশিংগা নুংশি চান্ননা অমদি হিংশা লৈতনা হিংমিন্ননবা পাউজেল পীরম্মী।

অমরোমদা, উপ রাষ্ট্রপতি জগদিপ ধনকরনা মীয়ামদা পাউজেল পীবগা লোয়ননা মহাকা হায়- গৌতম বুধানা পুকিং হকচাং ফনা লৈন্নবা লন্বী তাকপিরি। শ্রী ধনকরনা মখা তানা হায়- বুধাগী ফোর নোবল ক্রুথ অমসুং ঐথ ফোল পাথ হায়রিবা চৎনা কাংলোন অদুনা মীয়াম্বু নুংশি চান্ননা অমদি হিংশা লৈতনা হিংবা পুন্সি মহিং অমদা লমজিংবিরি।

**সাইবর ঃ** ইন্দিয়ান সাইবর ক্রাইম কোওর্দিনেসন সেন্তরনা হায়রি - খা নোংপোক থংবা লৈবাকশিংদা সাইবর ক্রাইম থোকপগী চাং কা হেন্না ৱাংখৎলক্লি। মসিনা ভারত তমা চংশিল্লক্লি। ঙরাং ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা সেন্তর অসিগী সি.ই.ও রাজেস কুমারনা হায়- হায়রিবা সাইবর ক্রাইমগী কেসশিং অসি কম্বোদিয়া, ম্যান্মার অমসুং লাউসনচিংবা লৈবাকশিংদগী থোরকপনি।

শ্রী রাজেসনা হায়- ইন্তরনেল সেক্যুরিতিগী স্পিসিয়েল সেক্রেতরি অমসুং হোম এফ্যারসকী মন্ত্রালয় য়াওবা অৱাংবা থাক্কী কম্মীতি অমা শেমখ্রে। কম্মীতি অসিনা খা নোংপোক থংবা এসিয়াদগী থোরক্লিবা সাইবর ক্রাইম থৌদোকশিং অসি য়েংশিন্নবা শেম শাখ্রে। লোয়ননা দিফেন্স ষ্টাফকী চিফ জেনরেল অনিল চৌহাননা হায়রি ভারত্তা সাইবর ক্রাইমদগী ঙাকথোকবা অহেনবা দিফেন্স থন্বগী তঙাই ফদবা লাক্লে।

ঙরাং ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখিবা এক্সরসাইজ সাইবর সুরক্সা ২০২৪ হায়বা প্রোগ্রাম অমদা মহাকা হায়- সাইবর দিফেন্স এক্সরসাইজ অমা থা অসিগী ২০দগী ২৪ ফাওবা দিফেন্স সাইবর এজেন্সিনা শিন্দুনা পাঙথোক্লি। মসিনা সাইবর সেক্যুরিতি ওর্গানাইজেসনশিংগী সাইবর দিফেন্স হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবগী পান্দম থল্লি।

**মিটতিংঃ** কাউন্তর তেরোরিজম হায়বা হিরমদা ভারত অমসুং য়ুনাইতেদ কিংদমগী ১৬ শুবা জোইন্ত ৱার্কিং গ্রুপ মীফম ঙরাং ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা ভারতকী মপান থৌরম মন্ত্রালয়দা কাউন্তর তেরোরিজম জোইন্ত সেক্রেটরি ওইনা লৈরিবা কে.দি দেৱান অমসুং য়ুনাইতেদ কিংদমগী কাউন্তর তেরোরিজম নেটৱোর্ক ফোর এসিয়া অমসুং ওসিন্নিয়াগী মকোক খৃষ্ট ফেলতন শরুক য়াখি।

মীফম অদুদা হৌজিক থোক্লিবা কাউন্তর তেরোরিজমগী কেসশিং অসিগী মতাংদা খন্না নৈনখি। লৈবাক অনিমকা তেরোরিজম্মু মরু ফংনা মাংহন্নবগীদমক খুৎশমনা থেংনমিন্নবা তঙাই ফদে।

**কলকত্তাঃ** কলকত্তা হায়কোর্টনা ঙরাং ২০১০গী মতুংদা পীখিবা ও.বি.সি সার্তিফিকেদশিং চৎন্নরোই হায়না লাউথোকখ্রে। জস্তিস তাপোব্রতা চক্রবোতি অমসুং জস্তিস রাজ সেখর মন্থানা থোকখিবা ওদর অসিগী মতুং ইন্না ও.বি.সি সার্তিফিকেদ লাখ ৫ হেন্না চৎনখিদ্রে।

হৌজিক চৎনখিদ্রবা সার্তিফিকেদ অসি শীজিন্নদুনা সরকারগী থবক থাবা য়ারোই। কোর্ট অসিনা বেক ৱার্দ ক্লাস ৱেলফ্যার কম্মীসনদা ১৯৯৩ গী লোগী মতুং ইন্না অমুক হন্না ও.বি.সিগী লিস্ত শেমদোক শাদোকবা খঙহনখ্রে।

**মেটঃ** মেট দিপার্টমেন্তনা কেরলাদা অখাক অরাওগা লোয়ননা অকনবা নোং চুরবা য়াই হায়না লাউথোক্লি। কেরলাগী পথানম থিতা অমসুং ইদুকি জিলাশিংদা রেদ এলর্ট লাউথোকখি। ঙামীশিংনা কেরলাগী সমুদ্রা মপানদা ঙা ফাবা চংবিদনবা আপিল তৌরিক্লে। মসিগা মরী লৈননা হেলথ দিপার্টমেন্তকী দিরেক্তোরেটতা ষ্টেট কন্ত্রোল রুম হাংদোকখ্রে।

অমরোমদা, রাজস্থানদা অকনবা মওংদা হিট ৱেব থোকখ্রে। মসিনা রাজ্য অসিগী মীয়ামদা অৱাবা খম থেংনা পীখি। দিল্লিদা ঙরাং শাবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রি ৪৩ য়ৌখি। মেট দিপার্টমেন্তনা মখা তানা হায়- রাজস্থান, হারিয়ানা, গুজরাট অমসুং মধ্য প্রদেশকী মফম কয়াদা ঙসি অকনবা মওংদা হিট ৱেব থোক্লবা য়াই।

**ক্রিকেটঃ** আই.পি.এল ক্রিকেটতা রোয়েল চেলেঞ্জরস বেঙ্গলুরুগা রাজস্থান রোয়েলসকা অহমেদবাদতা লৈবা নরেন্দ্র মোদি ষ্টেদিয়মদা ইলিমিনেতর মেটচ শান্নরি। মেটচ অসিদা ভিরাট কোলিনা অহানবা বেত্তর ওইদুনা রন লিশিং ৮ লৌদুনা রেকোর্দ থুগাইখ্রে। মসিগী মমাংদা শান্নখিবা মেটচ অমদা কোলকত্তা নাইট রাদরসনা সন রাইজরস হায়দ্রবাদপু মাইথিবা পীদুনা ফাইনেল চংখ্রে।

**--ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিংগীদমক--**
**হৌজিক রাজকুমরি মঙালসনা লৈরে--**

**-মঙালসনা -**

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

**থাগৎচরি-নোলিনি**

ঙসি ফোংনরিবা পাউচেশিংদা - ক্রিমিনেল লো অহুমগী মায়োক্তা থারকপা পি.আই.এল সুপ্রিম কোর্টনা রিজেক তৌখিবগী পাউ অমসুং উয়াল মমাং চীংদা লৈবা পাখঙবগী লাইশঙ থুগাইরম্বগী পাউনা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংনবা উরে।

মনিপুর নিউজতা -প্রসিদেন্তনা অয়াবা পীখ্রবা ক্রিমিনেল লো অহুমগী মায়োক্তা থারকপা পি.আই.এল সুপ্রিম কোর্টনা রিজেক তৌখ্রে হায়বা পাউ অসিনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

নহারোলগী থৌদাংদা - সেকমাইজিংদা ইম্ফাল তুরেলগী ঈশিং খঙহৌদনা পুমথারকপদগী মীয়াম ৱানরে হায়বা পাউ অসিনা অহানবা দেহলাইন তৌরি। হেদলাইন অসিগী মখাদা ইথাই ভেরেজ থীংজিনবনা মরুওইবা মরমনি , অথুবদা শেংদোক্লগনি হায়বা ওফিসিয়েলগী ৱাফম কলর হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

সিরোই লিলি মাংশিল্লক্লে, মরম থীগৎলি, কোন্বীরৈ হিংগৎহন্নবা থবক পায়খৎপা হৌরে হায়বা ইনভাইরোনমেন্ত এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জগী দাইরেক্তর ডা: টি ব্রজা কুমারগী ৱাফমনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিগা মান্ননা তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, পোকফম, সঙাস এক্সপ্রেসকী ইদিসন অনিমক, সনা লৈবাক অমসুং নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা লমায়দা ফোংনরি।

সনা লৈবাক্তা - পুক্কী লান থেংনবদা মায়থিরবি মেমানা উ চারা লিশিং কয়া লেমা মীয়ামদা য়েম্হোক্লি হায়বা পাউ অসিনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। হেদলাইন অসিগী মথক্তা মহৌশাগী খল কায়হন্দনা থমবা চহি ৭০ শুরবি নুপী অমনা চহি ২০ কখোক্তুনা লাক্লি হায়বা ৱাফম অসিনা কলর হেদলাইন তৌরি।

এস.টি.স্তেতস দিমান্দগা মরী লৈননা অপুনবা খোলাউ        লাউখ্রে হায়বা পাউ অসিনা সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পিপলস ক্রোনিকলদা - উয়াল চীংদা শাবা পাখঙবগী লাইশঙ থুগাইরম্লে হায়বা পাউ অসিনা অহানবা দেহলাইন তৌরি। পাউ অসিমক তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা নহারোলগী থৌদাং, ঈচেল এক্সপ্রেস , ইম্ফাল ফ্রি প্রেস , সনা লৈবাক, সঙাই এক্সপ্রেসকী ইদিসন অনিমক, পোকফম, হুইয়েন লানপাউ অমসুং ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংনরি।

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি ইদিসনদা - ইন্দিয়াদগী নোংমৈ মরু, অতৈ অতৈ পুরম্বনি হায়বা পাউ অসিনা অহানবা দেহলাইন তৌরি। হেদলাইন অসিগী মথক্তা মীজোরামদা ম্যান্মার ইন্সরজেন্ট ফাগৎখ্রে, মখা য়েংশিল্লি হায়বা পাউ অসিনা কলর হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

পোকফমদা- মনিপুরগী ইনাক খুল্লবা কলচরেল হেরিতেজ হেন্না চাউখৎনবা অঙন্বা মতেং পাংগনি হায়বা গর্ভ্নরগী ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিমক তোঙান মওংদা হেদলাইন তৌদুনা মোর্নিং বেলদসু অহানবা লমায়দা ফোংলি।

হুইয়েন লানপাউদা - ধনমঞ্জুরি য়ুনিভার্সিতিগী এসিস্তেন প্রোফেসর খল্লবা ওজা ৮৩দা পীগদবা ওফর ফোর্মশিং উচি মখুলদা চংখ্রবরা হায়বা পাউ অসিনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুর মেলদা- ব্রেষ্ট বেঙ্গলদা ও.বি.সি সার্তিফিকেটশিং কোর্টনা চৎনহনখিদ্রে হায়বা পাউ অসিনা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

গনফিউ মেলদা - বোর্দ ওফ সেকেন্দরি ইদুকেসন মনিপুর বোসেমগী ক্লাস ১০ গী পারিক্ষা ফল মথং হপ্তাদা হায়দোকপা য়াই হায়বা পাউ অসিনা মরু ওইবা পাউ ওইনা ফোংলি। পাউ অসিমক তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা তমেংলোং তাইমসতসু মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা - চাইল্ড সেফতি এন্দ হ্যুমেন ত্রাফিক্কীং হায়বা হিরমদা কন্সলতেতিব ৱাক্সোপ অমা পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউ অসিনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

**--নোলিনি--**

**----অরোইবদা মরুওইবা পাউ অমুক--**

১)  রাজ্য অসিদা শাবগী চাং নোংমা নোংমগী হেনগৎলক্লি। ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং ককচিং জিলাশিংদা শাবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রি ৩৫ য়ৌখি।

২)  লোকস সভা মীখলগী অরোইবা তাঙ্কক নকশিল্লকপগা লোয়ননা রাজনিতি দলগী লুচিংবশিংনা ভোট খোম্বগী থবক হেননা খনখৎলক্লি।

**অমসুং**

৩)  গৌতম বুধাগী মপোক নুমিৎ ঙসি লৈবাক অসিগী মফম অয়াম্বদা চাউনা পাঙথোকরি।

**--পাউ লোইজরে--**

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

**থাগৎচরি-নোলিনি**

--**নোলিনি**--